www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈননা য়ু এন কনক্লেভতা শরুক য়ারুবী মহৈরোই অমসুং প্রাইভেট এক্টিভিষ্ট লিসিপ্রিয়া কাঙুজমনা নামিবিয়াগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর হাগে জৈঙোবকা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা থৌরমগী শক্তম



আই এমগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্লগদি কমদৌনা থেংনগদগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা যূম্ফম ওইরগা লময়ানবা শঙলেনদা য়ু সি এমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা



ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুরনা শীন্দুনা শিন্নীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়ামরুমগা মরী লৈননা দিমান্দশিং পুখৎতুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ মীফম অমসুং খন্ন-নৈনবগী শক্তম


Volume No: 43 Issue: 294 | IMPHAL FRIDAY 20 SEPTEMBER, 2019 | ইরাই, লাংবনগী ২১ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মচিল মনাও হাৎতোক্লরবদি মপা-মমাগী মরল-মথুম মীতোপ্পা ফংহৌই

## অঙৈং-অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩৪.৮৬° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৯.৬৭° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং-৫.০২
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৫.১৪

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৯.১৫
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৩৯

## হেক্তা হায়জিনবা

### থিংঙমদ্রে

থিংঙমদ্রে য়ু থিংঙমদ্রে
নোংমদৈ হেন্না থিংঙমদ্রে
নঙগী ৱাজাও অমনা
ঈকং থোক্লুই য়ুগী
থোঙ লোল্লুই নোংমদি
থিংদ থিংলদৌ মাল্লুই
নোংঙাল্লগা অমহা তাই
থিংঙমদ্রে য়ু থিংঙমদ্রে
থবক ফবা থানা বাবু
পীরকই পাউ মথং মথং
দ্রাইফ চথদৌ মাল্লিকো
হৈনা-শিংনা চৎলুকো
য়ারদি থোঙ লোললোকো
থিংঙমদ্রে য়ু থিংঙমদ্রে
য়ারদি ঙাংঙু নুংতিগী
নঙগী ৱাজাও অহৌবা
ধপ তৌ মান্নবা
ঙন্থ্রা য়েংসি থিংবা
থিংঙমদ্রবা য়ুগী ইচাউ
থিংঙমদ্রে য়ু থিংঙমদ্রে
নোংমদৈ হেন্না থিংঙমদ্রে

### য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পব্লিক এলার্ট মিটিং

# ‘মণিপুর শোক্লবদি তুংগী লাইবক মীয়াম্না লেপচগনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ

এন এস সি এন (আই এম) গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নদুনা নাগা ইশুগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিদা হীরম অমত্তদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপা অমদি মণিপুরগী লমখৈ মাঙবগী ৱাফম য়াওরক্লবদি মণিপুরগী মীয়াম্না ষ্টেট অসিগী তুংগী মরাইবক মশানা লেপকনি হায়না য়ু সি এমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পব্লিক এলার্ট মিটিং অমদা মীয়ামগী ৱারেপ ওইনা লৌখিবনি। লমদম অসিগী মশক নায়বা মীওই কয়া অমদি তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগী থৌমীশিংসু পূন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লেপ্পখিবা ৱারেপশিং অদুদি, এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা লৈনরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিনা হীরম অমত্তদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা অমদি লমখৈদা অকায়বা অমত্তা পীবা য়ারোই। করিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী বাউন্দরি শোকহল্লোই হায়রবসু ফ্রেমৱার্ক অসিদা য়াওরিবা ৱাফম অমত্তা ষ্টেট অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা চৎনবা য়ারোই। এন এস সি এন (আই এম) না মতম শাংনদগী তান্দুনা লাকপা নাগা তাবা লমশিং পুনশিনবা, মখোয়গী তোঙানবা শেল-থুমগী মনীং তম্বা পীবা নৎত্রগা কাঙলূপ নায়বা মওংদা মখোয়গী অতোপ্পা থৌশিল তৌবনচিংবা অমত্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা য়ারোই। করিগুম্বা হায়রিবা হীরমশিং অসিদা কায়হল্লকপা তারবদি মণিপুর ষ্টেট অসিগী তুংগী মরাইবক মণিপুরগী মীয়াম্না লেপচগনি অমদি হায়রিবা মথক্তা পনখ্রিবা ৱারেপশিং অসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনবা হায়বা ৱারেপশিং লৌখি।

মীফম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা য়ু সি এমগী জেনরেল সেক্রেটরী খুরাইজম অথৌবনা হায়, হৌখিবা চহী ২২ অসিদা এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোল্ক অসিনা নাগা ইশুগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা কন্না হোৎনরি। মসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা তংদু- লৈতাদবা অমা অদুমক পীদুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০০১ গী জুনদা এন এস সি এন (আই এম) গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা লৈনরিবা নোংমৈ কাপ্পদবগী য়ানবা অদুদা ৱিথাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বা ৱাফম য়াওরকপদগী এসেমব্লি ফাওবা মৈ চাক্তুনা মীওই ১৮ গী পুন্সি লোমখ্রিবনি।

মসিগী মতুংদা কুমজা ২০১৫ দা নাকল অনীনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখি। মসিগী মতুংদা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিনবগা লোয়ননা ৱারী শান্নরিবা অদুগী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবিগসু য়ু সি এম অমদি মণিপুরগী সি এস ওশিংগা কয়ারক হন্না উন্নদুনা মণিপুর মীয়ামগী ওইবা ফীরেপশিং খঙহনখিবা লৈরবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক আর এন রবিনা নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইনা লাক্লবা মতুংদা জুলাই ২৬ তা পাঙথোকখিবা নাগাশিংগী ওইবা মীফম অমদা নাগাগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন থা অহুম ফাওবগী মনুংদা পুরকউ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতগী খঙহল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

মরম অসিনা হান্নদগী লৈরম্বা চিংনবা অদু অসুক্কী মতীক হেনগৎহল্লে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিদা য়াওরিবা ৱারোল অদু হৌজিক ফাওবা খঙহন্দবা অসিনা মণিপুরদা শোক্কদবা ৱাফমশিং য়াওরমগদ্রা হায়বগী য়াম্না চাউনা চিংনবা লৈ।

মহাক্না হায়, হন্দক থা খরা অসিদা ৱারী শান্নরিবশিংনা হান্নগা মান্নদবা মওংদা দিল্লিদা চৎতুনা তোইনা উন্নবা, ৱারী শান্নবগী পাউ ফংলে। মসিনা করিগুম্বা খরা শোইদনা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ।

হন্দক জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু শরুক অনী থোক্লা খায়দোকপগা লোয়ননা য়ুনিয়ন টেরিটোরি *মখা লমায় ৩দা...*

## মণিপুরগী হোংলক্লিবা অঙৈং-অশাগী মরমদা খন্নখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ

হ্যুমেন ইন্সটিট্যুশ্নেল কেপাসিটি বিল্ডিং (এৈচ আই সি এম বি) গী প্রোগ্রাম নেশ্নেল মিসন ফোর কষ্টেনিং দ হিমেলয়ান ইকোসিষ্টেম অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি, নেশ্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুর অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চৎথগদবা “এ টু দে রিছার্চ পোলিসি ৱার্কসোপ ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ পরস্পেক্টিভ ইন মণিপুর” হায়না মিংথোনবা ৱার্কসোপ অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাই চান্সেল্লরগী কোর্ট হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা *মখা লমায় ৩দা...*

## য়ু এন কনক্লেভতা শরুক য়াখিবী লিসিপ্রিয়া কাঙুজমনা নামিবিয়াগী প্রসিদেন্টকা উন্নখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর১৯(এসএন এস)ঃ

ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈননা য়ু এন কনক্লেভতা শরুক য়ারুবী মশাগী চহী ৭ খক্তা ঙাইহিবী মহৈরোই অমসুং প্রাইভেট এক্টিভিষ্ট লিসিপ্রিয়া কাঙুজমনা নামিবিয়াগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর হাগে জৈঙোবকা উনেস্কো পার্টনরস ফোরমগা মরী লৈননা লুৱানদা, অঙ্গোলাদা উন্নখ্রে।

মহাক্না নামিবিয়াগী হোংলক্লিবা অঙৈং-অশা অমসুং মসিনা ঈশিং তাংবদা থোকহল্লকপা অমদি করন্না থিংগনি হায়বগী মরমদা ৱা ঙাংখি। মহাক্না মালেমগী লুচিংবশিংদসু উ থাদুনা হোংলক্লিবা মালেমগী অঙৈং-অশা থেংননবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না অঙ্গোলাগী প্রসিদেন্ট জোৱা লৌরেনকো, মালিগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম কাইতে, রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী প্রসিদেন্ট দেনিস, ফার্ষ্ট লেদি ওফ অঙ্গোলা অনা লৌরেনকো, ফার্ষ্ট লেদি ওফ নামিবিয়া মোনিকা গৈঙোস, নোভেল পিছ প্রাইজ লৌরিয়েট দেনিস মুকৱেগে, য়ুনেস্কোগী দাইরেক্তর জেনরেল ঔদ্রে অজৌলে, অফ্রিকা য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট মৌসম ফাকি মহামট, ফুটবোল ষ্টার দিদিয়র দ্রোগবা অমসুং মমিং লৈরবা মীওই কয়াগা মহাক্কী অহানবা অফ্রিকা খোঙচৎকী অহানবা নুমিৎতা উনখি।

মহাক্না হোংলক্লিবা *মখা লমায় ৩দা...*

# মৈতৈ চেঙ কে জি ১দা লুপা ৫৩ য়ৌরে

### মথং চহীদদি চাক তাংগদৌরি



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯(এস এন এস)ঃ মীয়াম্না য়ান্না পান্না চানরিবা মৈতৈ চেঙ সনা কৈথেলদা ফংনদবগী মথক্তা অফংবা খরসু কা- হেন্না মমল ৱাংখৎলক্লে। গেটর ইম্ফালগী শরুকশিংদা মৈতৈ চেঙ অফবদি কে জি ১ দা লুপা ৫৩ পীরে।

মৈতৈ চেঙ পুল্লপ-পুল্লপ তায়রিবী নুপীশিংনা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেলদা নৎত্রগা শিংজমৈ কৈথেলদা য়োনবদদি চেঙ কিলো অমদা লুপা ৪৫ দগী ৫০ ফাওবা য়োল্লি। হায়রিবা চেঙশিং অসি মীয়াম্না পান্না চানরিবা দরম অমসুং থাংজিংনি। হায়রিবা মখলগী চেঙশিং অসি চেঙদায়বীশিংনা শেন্দোং হেন্না ফংননবা সপুর ফাইন য়াল্লি হায়দুনা মীয়াম্না কয়া পান্নদে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, লন্নাই মীওই কয়ানা অশেংবা মৈতৈ চেঙ চাননবগীদমক গেটর ইম্ফালদা লৈবা রাইস মিলশিংদগী ললোনবীশিংনা পুল্লপ-পুল্লপ লৌরগা ইম্ফাল অমসুং মসিগী মরু ওইবা কৈথেলশিংদা চোইনা-চোইনা য়োম্থোকই। মখোয়না চেঙশিং অদু তায়বদা লুপা ৫ ফাওবা শেন্দোং ফংবা য়াওই।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, চিংজিনগী মতম অসিদা চেঙগী মমল কে জি ১ দা লুপা ৫৩ গী মথক্তা পীরগা চানরগসু মথং চহীদদি চেঙ কে জি ১ গী মমল লুপা ৬০ গী মথক্তা পীরবা য়াই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ঈকংগা মান্নবা ফীভম অমা মায়োক্লবদগী ফৌথোক হান্নগী চাংদগী তঙ্খায় হন্থরগনি। হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জকী চৈথেং অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা চাক তাংবগী ফীভম অমা মায়োক্লরবা য়াই হায়রি।

